# ৱারী মচা

## মহা য়েনশঙ শঙ্গারে

### এলাংবম দীনমণি

**সমাজ** সেবী তোলমুনা লিরপ তারবা খবর অদু শংত্রিক য়েংদুনা হন্না হন্না, জোনে চঙনা পারম্বদগী মরায় থোক হাইগত্তুনা মমীৎ কুফেৎ–কাফেৎ কুপ্তুনা কুইনা খন্দুনা লৈ। ফক্তগী বেরী অদু অমা চম্মগা মৈখু শাংনা কাম্মী। মানা পারম্বা খবরগী শরুক অদুদা অমুক য়েংথে। মথননতা মঙক নোম্লপ নোম্লপ খল্লম্বগা লৈখাই তারকই। কাচিন্দা চীংমী ফি খ্বাঙদা হৌরিবা মাগী নুপীদা হায়রকই,

– হায়, চাউবীরৈ চাক থোঙ্গৎলুরো। ইম্ফাল কাগে।

– করি অমুক হৌদৌরে?

– মন্ত্রী উনরুগে। শেঞ্জাওগী মমি অমা উরে।

চাউবীরৈ খজিক মোমোন তৌখি। খল্লি নুংদা –হন্দক্না পাথবীগী তাউথবী লৌফম অসি চৎখিবা শোয়দ্রে, মচিন্দি থোক্তে। মপুরোইবগী মফিং মা খঙই। চাক অদুম মথাগৎলি। নুমিৎ হুম্নি ইম্ফালদা লৈরুরবা তুংদা তোলমু ঙন্তানা বসতা হাইথরকই। গারীদগী হেক কুমথবগা, ময়ূম চঙলমদে, করিম খানগী শোয় তম্মকই।

– হো তা’ করিম লৈব্রো?

– ঐমা! কৈনো ইবুংঙো তোলমু মঙ –হাদৌনা?

– অস তা’করিম হন্দক্তি ঐখোয়গী খুল অহুম মরি অসি হৌবা শোয়দ্রে। ঐখোয়গী খুঞ্জাগী পার কেপিতা চাগা অসি অঙকপা ফঙদৌরি জাৎনি। সরকারনসু শেল অসি হেক্তা হৈথদৌরি। মন্ত্রী ইতে তেহৌরে। মশেম মী অমা থারক্তুনা ময়ামগা তান–খোৎনা তৌরনি। খুন্দিন্নহৌরসি। তা’করিমদা য়েন কয়া লৈ?

খুন্দিন্নবা কান্দা মন্ত্রীনা ওফিসকী মী থারক্কনি হায়বদু অচিনবা অমা লৈবদগী লাক্ত্রে। পাউ থোইদোকপা খঙনবা নত্তে। ফনা কুইনা ঙাইরবা মতুংদা সোসিয়েল ৱার্কর শ্রী তোলমুনা ময়ামদা লাউথোকখি। চাকঙাই খুন্দিনগী কায়নরমদাই ঙাইহাক অদুদা তোলমুনা শমজাইরকখি,

– মসি সুম তৌবনি ইপল, ইবাই ধোজোসু তাবিয়ু, তা’ মেরা, ইপুংঙাং চাউচা, মরুপ লুখোই, অবেরহোহইসু তাবিয়ু। য়েন অসি মপী ১০০০ এমপ্লোই তৌশিনবা। চাবা হায়রা চগুম চনাই ঐখোয় য়ূম অমদা হুন্দোক্লিবসি ওন্থোক্না য়ামখ্রপোৎনি, করি হায়গে তা’করিম।

মু. করিম খুম্বা শঙদে, কঙক্র কন্না মৈ চাক্লি। মহোয় অনী অহুম ওনশিন্নরগা ঙসাইনা নৈরগা ককপা হৌখ্রবনি। সাফি তোলমুনা পীরম্বনি। করিম পক – পক তৌরি মঙক্তি মনোম্মী, তোলমু মখা চত্থরকই,

– মপী ১০০০ অদুনা, লীশিংদু লোয়না হায়গুমসি ৮০০ হায়সি, ৮০০ সু তোকও ৫০০ / ৫০০ । হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়গী খুল অসিদা য়েরুম অমদা পৈশা ৬০ / ৭০ পীরি। ইম্ফালদদি, ইমাই নচীন থি হায়নি অনীগী অহুম তৌরগা পৈশা ১০ নম্বনি। মদুসু পীশক পীশক মোংবা মরুমগুম্বা ঙাক্তা। ফরে মদুদা চোয়না থাবগী ওইজরবসু পূন্না থাবগীদা পার হেদতা, অমমমদা পৈশা ৫০ / ৫০ সেল তৌরবদি, কয়া য়াম্মনো য়েংউদো ৫০/৫০ দু ৫০০, লুপা টু হন্দ্রেদ ফিফটি, নোংমদা ২৫০ / ২৫০। নুমিৎ নীনিদা ৫০০, মরিনিদা ১০০০, থা অমদা লুপা ৭৫০০। লুপা ১০,০০০ দগীনা ২৫০০ দা মতারবা। মসি ঐখোয়না লিংখৎকদৌরিবা ফার্ম অসিদা কাদৌরিবনি, ঐখোয় খুল অহুম অসিগী পৈশা ওইদৌরিবনি। চহী অমদা লুপা লীশিং ৯০ লুপা লীশিং ৯০ অসিবু লৈরবদা ঐখোয় খুঙ্গংগী লৌমীশিংনা ইম্ফালগী মহাজোনশিংদগী শেল করিগী পুরুনি। লৌ শান্দুনা করিগী উজরুনি। ইচা ইনাও লাইরিক তম্বগী ওইনা চা ওক্তবা ফৌ করিগী তাইরুগদগে। খো–খোপ্পা ফার্মগী চাগাদগী এক্সপেন্স তৌদৌরিবনি। ঐখোয় হারু হারু চেনবগী দরকার লৈত্রে। মথংগী চহীদা টেক্টর অমা হান্না বাই তৌশিনগনি খুলগী ওইনা। মথং চহী অম’নীগী মনুংদা ইলেক্ট্রিক্টনা পুংলং লংনা থানগনি, টোটি লৌথরক্কনি।

ময়াইদা অমখক্তং তরক তরক থাল্লিবা লালটেন অদু নুংশিৎ চঙঙমাল্লে পুক পুক ঙাইহাক তৌরম্লগা পুৎ মুৎখ্রে। থামম্বা নুমিদাং অদুদা অমগা অমগা বেরী লান্নবগী মঙাল মরক অদুদা অহানবা মীটিং ইংনা চত্থখি। কুইদি কুইরমদ্রে।

মথং মঙানি তরানি কান্ন–কান্ননা অনী অহুম্লক্কা তিন্নখি। মী মশীংদি খাইবোক খাইবোক হন্থরকখি। অদুবু ৱারেপ্তি ফজ ফজনা তাখি। মরক অসিদা ময়ামগী সেবা ফঙজরিবা তোলমু ইম্ফাল তোয়না কারুই। মায়থোং মকা লাম্না লাম্না হাইথরকই। চাউবীরৈদা থাজ থাজরবা ৱাফম কয়া মরিক চুম্না চুম্না তম্মে। তাউথবী লৌফম অদু আউনলৌ নত্তে। তুম্মমদাইদা শোনবোই লাকপোই ঙাংখিবা চাউবীরৈ তাহৌগুম তৌই, শঙ্গাবদা মন্ত্রী অমত্তংবু কুম্বীরক্লবদি শেন্থংদুবুদি শেৎলে। অহানবা ইন্সটোলমেন্টদুবু ফঙহৌরবদি ফরেদা, জয় গুরুদেব!

চাউরাক্লা য়ানখিবা অমদি তোলমুনা খাঙখিবা চাগী লমন শিংবা ওইনা খুলগী নহারোল অমদি অহল্লোন খরনা ময়ূম ময়ূমদগী উ–ৱা খরা খরা পুথোক্তুনা অয়ুক চাকচামাঙদা শঙ অমা শারে। ইমোম খরা, চরূ খরা, অনকপদগী ৱায়রগা মথক কাবক কাবক ওখাক ফজনা কুপশিল্লে। ৱাচেৎনা ইকোয় কোয়না ফক্লাং খারে। য়োৎপী য়ৈরুবা ফরক তাবদগী ৱানৌগী পৈয়ানা লল্লপ পুল্লে। খুকউমুক ৱাংনা কাংথক হারে অৱায়বা ফক্লোংনা। দীপ লিটরগী থাজবদা তোলমুনা হায়বদগী ৱাই চরূ, নাপী মকুম্না কাংথক অদুদা চাউরাক্লা চাইরে। মচীঞ্জাক পীজনবা খুদেং শেগায়বা অম’নী থম্মে। মরুম কোকফম ওইনা ফি মতৎ–মতাগুম্বা খরা কাচিন কাচিন্দা ফৈজা কোন্দুনা থম্মে। মওং ওখাক্লা তারকপদগী অদুদা তোলমুনা অৱাৎ অপা য়াওরিবরা কোয়না য়েংলুরগা হায়রকই,

– হৈমা! য়েনদি! মীগী প্রধান অতিঠিদি য়ৌরক্লনি অস! হো ... তা করিম, জলাল, তোম্বা, মৈনো ইম্ফালদগী মীদি লাক্লরনি, য়েন অমুক্তা থমসি চেল্লু। ঐনা লোয়না হায়নরম্মবনি হেক্তা শীন্নরক্কনি।

করিম চেনখ্রে। জলাল, তোম্বা, মৈনোনচিংবনা অনকপদগী অমমম অনীনি কোন্দুনা পুরক্লে। চাউরবা শঙ অদুদা থাজিল্লে। থাজিনবদা অমদি নাম্থোক্তুনা লৌবুক্লোমদা ফৈনা মখোঙ চাউকান চাউকান চখোকখি। অঙাং ময়াম্না পুল্লপ তান্নদুনা ফাবদা মখোঙ তেক্লে। তেক্লবসু তেক্লা ফার্মগীনি মশীং ৱাৎপা য়াবা নত্তে, বোইজাওদা মশীং চনখ্রবনি। বোইজাওদা মচু মখল মখলগী মুক্লা ইবা হিসাবতি ঙসি ফাওবগী ওইনা য়েনবী য়েনবা য়েন্নাও পুন্না লীশিং অমদগী য়াম্না তাদে। তোলমুনা তৌবা ফিজিকেল ভেরিফিকেসনদা ফঙবনা য়েনবী অহল মঙা, য়েনবা অনী, মখোঙ নাম্মা তেকপদুগা অহুম, মতু কেনখিবদগী অমুক হৌরক্ত্রবা সোইনৌ নিপাল, অদুগী মনুংদা অহুমখক্তি মঙক ইরেক লেকথৈ কুন্দুনতা লৈ চাউ –থকউ ইয়া য়াদে। অমখক্তি তোলমুনা চঙশিন্দুনা পায়রুবদা মঙক ইল্লি–ইল্লি তৌরম্মগা লেকথখিবদগী অদুম হৌগৎলক্ত্রে। য়েন্নাউ তরামুক্তুদি মশা নাম্থবা, মচীন পৈবা, মখোঙ কোনবা, খরা য়াওরবসু মশা লোয়না খিংলি, পুল্লপ পুল্লপ চেনবা ঙল্লি। মরুম্না ১৩ শুরে। পুন্না থম্মী।

মতম চপ চাবদগী পুং মরিরোমদং থেঙথনা শঙ্গাবগী থৌরম অদু হৌখি। প্রধান অতিথিনা রিবোন অঙাংবদু ফজনা ককখি। মমশিল্লক্লবদুদা তহা তহা হোৎনখি। মানা পীবা ভাষন্দা য়েন অমদি য়েরুম্না লৈবাক্কী অর্থনীতিদা করম্বা মখলগী অওনবা অমা পুরকপগে হায়দু মরিক চুম্না পনখি। লোয়ননা য়েরুম, শঙ্গোম অমদি লফোইনচিংবগী হকচাংদা কান্নবা ময়ামদা নৌহৌননা খঙহনখি। অরোইবদা লমদম অদোমগী লৌমী প্রজাবু নোম্বা কল্লি, খুমাঙ চাউশিন্না জ্ঞান তাশিল্লি, লোয়ননা লিংজেল মান্নে হায়না থাগৎলম্মী। মীখল ৱাউরী ৱাউরী নকশিল্লকপগুম তৌবা মতাংগী ওইনসু দলগী ৱা অনী–মরি ফেনজিল্লমগুম তৌই। ময়েক মশাদি ইফোং ফোংফাত্তে। অকক্লবা শেন্থংগী ৱাফম্না ৱাখৈখি। ফার্মগী পোখোক্লা থোং থাকপা চাক্লেন অমা শীনগনি তৌবনি, চিন্নবা মশেল ওইবনা খুদোল খরা চাউরপ পুরগা অতিথি লেঙখ্রে। চাউবীরৈনা শাবা ফি অদুনা খুদোলপোৎ য়োমখি।

থাবল মরক্তা য়েনশঙ অদু শীদুনা মানা পুথোরকপা ৱা, ই, ৱাচেৎ পুশিন্নখি। মাগী মাগী য়েন ফাদুনা পুনখি। মঙানি তরুক্লি মতুংদা উফুল ফাওবা মমি লৈখিদে। ষ্টোক রেজিষ্টার তোলমুগীদা থম্মী। নুংতিগী শুরি। কেসবুক্লা করিমগীদা থম্মী, অদুম শুরি।

---

## শৈরেং

### ইপাম মৈহৌরে

*–নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

মালেম লৈকোয়পুংসিদা
পূন্সি পন্নুং পনবান্দা
মরোল লোন্দ্রবা আইন্না
মীচম প্রজা কয়াদা
তুমিন্না চীকপা উবদা
পুঙক ঙকখ্রে কংলাশা।
হাবীজাবী ময়ামসে
ময়া কাদুনা য়েংখরে।
শান্তি পাম্মী লাউরিবা
কৈশুমশঙদা লৈবশা
বন্দগী বার্ত্তন লেপ্লসি
ষ্ট্রাইক রেল্লি তোক্লসি।
পীক্ল কাদা ফল্লসু
পুকচেল পীক্ত্রে ওফিসার
হন্দক্তি খঙফ ফখরে
মিংচৎনা কোয়তান তান্নরে।
লৈচিন্দা যাত্রা হুন্দুনা
আকান্তা থোং শাখরে
স্বর্গ নরক শম্নরে
চাউখৎপা খম থেঙখরে।
থিকা পূক্লিং ওনবদা
লৈঙোইসু সিমেন্ট ওনখ্রে
লেবরবু বিল ঙাইহল্লে
নুংশিৎ চারা হিংহল্লে।
অঙকপা লৈবাক ওইখ্রে
ইদু নিংথৌ লৈবরা?
খাম্বী মৈকনহৌরো লাও।

### পূন্সি

*– থৌদাম নেত্রজিৎ*

পাক্লবা চেবাং অমদা
পূন্সিবু হঞ্জিন হঞ্জিন য়েক্লি ঐনা
কুইরক্লে
কলমগী মুকসু লোয়রক্লে
মপুং ফাবা শুকঙম ঙমদে
হেন্না হেন্না মানশিল্লক্তে পূন্সি।
ঐগী ৱাখলসে পুবা ঙাংবা ঙমশিল্লক্ত্রে
অঙাওবগুম।
চেবাং অদু শুরু শুরু নৈশিন্দুনা
লংথোকখি লাপ্পা।
লংথোকখিবসিনবু
পূন্সি মাল্লে।

### লৈকাইদা

*তোংব্রম শামুঙৌ*

লৈকাইদা ৱা ৱা লাউখি,
লৈকাইদা শারা শনখি,
লৈকাই মনিন নায়খি,
লৈকাই য়ুমথোঙ য়ৈখি,
লৈকাই থক–থক নীকখি,
লৈকাই ইরাং হৌখি,
লৈকাই মীনোক চঙদুনা
লৈকাইনা পীরাং শীন্থহনখি,
লৈকাইনা ইতৌ উরগা
লৈকাইদা খুবাক খুনখি,
লৈকাইদা লেপখ্রবা খোঙফম
লৈকাইদা মোমোন নোকচখি।

### মঙফাওনরে

*– ইরোম মোবী*

লাউথোক্লে লাউথোক্লক্লে
নুমিৎ তাদবা লমদগী
নখোয়না খৌরাংনা ঙাইরিবা।
থৌনা ফৈ মহাক্তো
ইপা ইপু মচুম তাবদো।
অহল ওইরবা হনু মিঙ্গৌনরবা
শিবনা হাল্লনি খল্লরবা
চহী ২০০০ গী ৱা নীংশিংলকই
পাঙ্গল কনখৎলকই
অতনবা পুম্বা মাঙখি
খূৎতা চৈশু পায়
থোক্লকই পরপ পরপ
মরুপ মপাং মরক তিনবা।
’অদুগা তুমিন তুমিন নখোয়না
অনিংবা অপাম্বা ফংলবদা
মরোল থোক্ত্রবগুম।

### থৱায়না কপ্লি

*লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

করম্বা তেঙবান্নো মলেমদা ‘‘মণিপুর’’
মীতৌ তম্বনা পুক থল্লোই,
করি লায়চৎনো, করি মতৌনো।

হীরম খূদিং তম্নালাই মানশিল্লক্লে
সিমদি ফৈ– হে, লৈত্রে অমত্তা।

ক্বাক্লা ৱাহোং মতু থেৎপৈ ৱারী
কবুই কৈওইবা ননিং নমাং হোত্রোং হো
ইগদবা ইকায়রে, খল্লুবনা লাল্লনদরা।

লুপ্লনি নোংমদি মতম ঈচেলদা,
লোনচৎ ব্যবহার পুমখরে ঙম্না,
নিংদোল হাগৎ, লুরাকনা য়েং,
করম্বা নুংশি মীৎয়েংনো, কনাদা লাং।

নুমিৎ থা তাইওন্নরে, হিংবৈ মহাও নাইদ্রে,
ঐদি স্বাইদৈ নত্তে, তাইবঙ মলেমদা
অমম্বনা কুপ্পদা মঙাল ফঙলরোই
’সুম্না অসুম লেনবা তারবা।।

### ৱাহং

*– কামিনিকুমার*

তোমাল্লোনা তাথাবিজাওদা হংই
অঙৌবীনা অশংবীদা হংই
রাজনিতি তৌবা মীনা প্রজাদা হংই
ছাত্রনা ছাত্রিদা হংই
লৌমীনা শিন্মীদা হংই
শিন্মীনা সুপরভাইজরদা হংই
কর্ম্মচারীনা থবক ফঙদবা নহারোলদা হংই
ওফিসারনা পিওনদা হংই।
বি টি পার্কতা হংনৈ
চা হোটেলদা হংনৈ
লৈপুং ফম্বদা হংনৈ
ক্লবতা হংনৈ
পুরি থকফমদা হংনৈ
ড্রাইভরনা পেসেঞ্জরদা হংনৈ
ওঝানা ছাত্রদা হংনৈ।

### চিন্তা

*– শ্রী দেবেন্দ্র সিংহ*

খঙদে ইশানা ইশাবু করিনো কদাইনো
হৌখ্রবা পূন্সিগী মঙলান কয়ানা
ফুম্বংনহল্লে ইশা পূম্বা
খোয়জংদরে তৌরুবা থবক অমত্তা।
খন্নে হংনৈ অমনা অমবু
ঙাংনৈ লৈকাইগী মরুপ মপাংশিংনা
কনাগী করিগী চিন্তা তৌবনো
শকফম ওল্লে ফিবম কায়রে।
অঙকপদা খম থেংঙী ইথন্নতা
ঙমদরে থাজবা ইশানা ইশাবু
করম্বা থৌইনশিন্না শিল্লিবনো
কনাগী করিগী করম্বা চিন্তা।
উরুরগা অতিয়াদা পাইরিবা চেক্লা
চৎচনিংই ঐসু ৱাংনা পাইদুনা
য়েংনিংই প্রভুগী ধাম খূদিং
তমজনিংই ঐগী অৱা ৱাখলসু।

### মুৎখিগদৌরৱা কংলৈগী ৱারী

*– হুইরেম তোম্বীসনা দেবী*

মীতোপ মীরানচা কয়া
চঙলকই লেপ্তনা কংলৈপাক্তা
শৈদাংদুনা হিংলম্বদগী
ওল্লকই মপু।
মীপাইবা ফাওরকই কংলৈচাশিং
ওইরক্কদ্রা মপু মীতোপ্পা
কংলৈ য়েলহৌমীনা মীতোপ।
কুমজা য়াম্লে তক্লরকপা
মতম কুইরে লাওরকপা
‘‘মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু
ঐখোয় য়েলহৌমীশিং কল্লু।’’
অদুবু মনাদা হাপ্তে লৈঙাক্লা
মীয়ামগী খোল্লাও তাবিদে
মদুগী মহুত্তা–
সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬
অহোয়নদুম পাম্না তৌশিল্লকই।
পেন্দবগী তাশোননা থম্মোয়দা পাল্লবা
কংলৈচা কয়াগী মীকপ মীরাওখোননা
পুমনিন নিনখ্রে কংলৈবাক,
সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল
পাস তৌবা য়ারোই
য়েলহৌমী কল্লু কংলৈপাক কল্লু
মীফম, প্রোটেষ্ট বন্দনা
থনখ্রে কংলৈপাক পুম্বা।
লৈঙাক্কী লুচিংবা মিনিষ্টরশিং
প্রজাগী য়াথং পুদুনা
য়ৌখ্রে দিল্লি লৈঙাক্তা হায়জবা
বিল পাস তৌদনবা।
অকিবা ফাওরি কংলৈচাশিং
বিল পাস তৌখ্রবদি
মুৎখ্রগদরা কংলৈপাক
মাংখ্রগদরা কংলৈ য়েলহৌমীশিং?
মীকপ থোক্লসি কংলৈচাশা
পুল্লসি ঐখোয় অমতা ওইনা
কলহৌরসি কংলৈ ইরমদম
পাইহল্লমসি ৱাংনা কংলৈগী
পাইহল্লমসি মনিংতম্না
কংলৈগী হাংল–মালংদা
মচু তরেৎকী কংলৈ ফিরালনা।

---

## তাবুনুংদগী

*মাইবীগী চৎন–থাজনবীসি য়েলহৌঙৈদগী লমদম অসিদা লৈরক্লে। মাইবী লাইপাউ হায়বসিমক শকউদবা লাইগা মাইবীগা পাউ ফাওনৈ হায়বা থাজনবগী খুদম অমনি। অসুম্না মাইবীগী থাজনবীসি মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈরক্লে হায়বসি মৈতৈগী অরিবা খূৎই লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মসিগী খুদম অমা ওইনা অরিবা লাইরিক ‘‘থিরেন মৈরম লিবা’’ দা মাইবীগী মরমদা ইরম্বা মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

মৈতৈ লৈপাক অসিগী লোনলি। অরাৎ (ঈরাৎ), অসক (তেংথা শৈশক), পাহায় (ইপা–ইপুগী ৱাহয়) থৌদা অসি খৈপিং থোক্লবগী ৱাবু হায়কে...। অসুম তৌরবগা ঈশিং তমলেন অমম্বা মসক ওইনা লাকলে। অমম্বা অদুগী নুংকাংগী মসককুম তরংচিং কৌবা অদুগী মথকতা অতিয়া সিদবনা মসক অনী ওইদুনা লয়হৌ মাইবি লয়হৌ মাইবা কৌনা লংখৎলকলে। লংমাইবা মহাকতি পনথোইবিগা নোংপোকক অনীমনা লাই অনীমাবু ওইনা তরংচিং অদুগী মথকতা তোংদুনা অমম্বদা লৈপাক শেমগে হায়দুনা ফাওরকলে। অদুগী দমক মাগী মরীবু হৌথোকলে হায়বগী মাইবী কৌএ।

---

## মণিপুরী পাঙ্থে–পাউরৌ, পাউতাক

* **কোম্না তানবা লন কোম্না মাঙই, লেম্না তানবা লন লেম্না মাঙই।**
– ইৱা ৱাদনা য়াম্না লায়না তানবা লন–থুমদি য়াম্না লায়না মাঙই, মফম মরাং খঙদনা উৎ ওনখি, কান্নফম খঙহৌদে।

* **কন্না নাদুনা লৈরিবা মীদা চৎলগে লৈহৌরো হায়হৈদে।**
– চৎপা ঙমদ্রবা অশোনবা মীদা চৎলগে লৈহৌরো হায়রবদি শোল্লে ঙমদ্রে খঙনা হায়বা মান্দুনা মথৱায় নুংঙাইখিরোই হায়বগী ৱানি।

* **খঙদ্রবদি তুমিন লৈবনা সনানি।**
– নিংথিনা খঙদবা হীরমদা অহৈ অপা শাববুদি তুমিন্না লেম্না লৈবনা ফৈ।

* **খঙগে থিয়ু ফঙগে থিয়ু।**
– খঙনবা, ফঙনবা তানবনা খঙ–হৈনবগী পাম্বৈনি।

* **খঙদে উদেনা মফরে।**
– খঙদবা উদবা শাবনা ইশোয় শোয়দে।

* **খঙলোই উরোই খল্লুনু থৱায়না লায়না খঙবনি, মীনা শাখি ওইবনি।**
– তাইবঙ মীওইবনা খঙদ্রবসু মপু মাদি লোয়না খঙই উই।

* **খঙনবা লাকই, শেনমাঙ কুপখৎলু**
– মরূপ মপাং লুনা তিন্নবা মীদগী খূদোংচাবা হেন্না লৌহৌবা।

* **খঙমন্নসু খঙদে উমন্নসু উদে।**
– খঙফম থোকপা উফম থোকপদু খঙশন্নদনা লৈথোকপা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

---

## চানক্য নিতি

– পণ্ডিত ফাওবা অপঙবা শিষ্যদা পাউতাক পীরবদি, ফত্তবা নুপীগা লৈমিন্নরবদি অদুগা অৱাবশিংগা হকথেংনরবদি ৱারিবনি।

– মচৎ ফত্তবা নুপী (মতু), লৌনম্বা মরুপ, ৱাঙাং ফজদবা মীনাই অমসুং লিন চঙলবা য়ূমদা লৈরবদি শিবা শোয়দ্রবনি।

– খুদোংচাদবা মতমগীদমক লন তুংশিনগনি। লন তিংলগা লোয়নবীবু কনগনি। লোয়নবী অমসুং লনবুসু ইশাগীদমক্তদি থাদোক্কনি।

– খুদোংথীবগীদমক লন তুংশিল্লু। লল্লেবদা খুদোংথীদব্রা? লক্ষ্মী (লন) গী মথোঙ য়াঙবনি, তুংশিল্লবা লন ফাওবা মাঙনাইবনি।

– ইকায়খূম্নবা ফংদ্রবা, হিংনবগী পাম্বৈ ফংদ্রবা, বিদ্যা তম্ফম লৈত্রবা, মরূপ নৎত্রগা মরী মতাসু লৈতবা লৈবাক্তুদা লৈফদে।

– ইনাক খুনবা মী, বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ, নিংথৌ, তুরেল, মঙাশুবদা মাইবা–হায়রিবা মঙা অসি লৈতবা মফমদুদা নোংমা ফাওবা লৈগনু।

– হিংনবগী উপায় লৈতবা, অকিবা লৈনদবা, ইকায়বা খঙনদবা, জ্ঞান লৈবা লৈতবা অদুগা দান তৌবগী ৱাখল লৈতবা মফমদা লৈফদে।

– মথৌ তৌরিঙৈদা মীনাইবু, খুদোংথীবা মতমদা মরী মতাবু, অৱাবা তাবদা মরূপ্পু অদুগা মরাই চাইথরকপদা নুপী (মতু) বু মশক খঙগদবনি।

– দরকার লৈবা মতমদা, খুদোংথীবদা, লাইবক থীবদা, চাক তাঙবদা, লানফমদা, নিংথৌগী মমাঙদা (ৱাথোকপদা), মোঙফমদা, তেংবাঙ পীররিবা (লেপ্পরিবা) মহাক অদু মরূপনি, অশেংবা মরী–মতানি।

– শোয়দ্রে খঙলববু হুন্দোক্লগা মথোঙ খঙদ্রিববু লৌরিবা মীদুনা অৱৈববু মাঙগনি, হান্নना মাঙখ্রববুসু ফংলরোই।

– শক ফজদ্রবসু ইকায়খূম্নরবা শাগৈগী কন্যাবু অশিংবশিংনা লৌগনি। শক হেল্লবসু হম্থবা জাতিগী নুপীদি লৌফদে। থাক মান্নবগী মরক্তা লুহোংবনা হেন্না ফবনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

---

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৪৮। পাখঙ অমনা লৈশাবী অমগা লৈকোন্দা নিংথমথাগী অয়ুক অমদা কোয়থোকমিন্নরকই। অসুম লাকপদা লৈ শাৎলিবা গুলাপ পাম্বী অমগী মখোঙ য়ৌবদা লৈশাবীদু লৈ অমা ওন্দুনা শাত্তোকখ্রে। পাখঙদুনা লৈশাবীদু করম্না থিগদগে?

২৪৯। শন্দোক্লগা শরাশন, পায়শিল্লগা খুদাপ অমা করিনো?

২৫০। মচা হান্না পোক্লগা মমা কোন্না পোকপা করিনো?

২৫১। নুংশা শারগা হরাওজবা নোংতারগা কপ্পা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৭–১০–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

*২৪২) উ–ৱানা শাবা, ঈনা কুপ্পা য়ূম মথক কুপত্রিমখৈদি লোইবা চিংদে, অদুবুনি। ২৪৩) রেদিও, ২৪৪) তন্দন, ২৪৫) কবোকং মপাল, ২৪৬) ঙাচক অমসুং হঙোই, ২৪৭) তরেং মনা অমত্তা তাবিরম্মু হায়না খুমগনি।*

---

## চয়োলসিগী ফাগী

**ননাদুসু য়াইদা!!**

লুহোংলকখিবা নৌরিবী মৌদুনা চাকখুমদা চাক থোংলি, য়াম্নসু অহল ওইনদ্রিবা মকুবোক্তুনা ফুঙ্গাদা মৈ য়াইরি, মনেম্না মনাক্তা এঞ্জাং মনবীরম্বদৈ পুখ্রিদা চামথোকপীরক্লগে হায়রম্লগা থোকখিবদগী চাকশঙদুদা মকুবোক্কা মমৌ অনৌবীদুগদং ঙাইহৌরে। মৌ অনৌবীদু মকুবোক্কদং লৈহৌবদুদা মথন্তা ইকায়জবনা মমায় জিং–জিং বং–বং ঈচপ কানা ঙাঙখৎলে, হুমাঙ কাংলে। অদুদৈ তৌফম খঙদ্রদুনা মফম মরাঙ খঙদনা তাপ হেক পায়শিল্লুবদা মখূৎতু শামনখ্রদুনা ‘ইশ্‌শ্‌শ্‌... ইক্‌ক্‌...’ হায়দুনা মখূৎ পোকপগী চাকপদু তৌফম খঙদনা খাঙলে। মাগী মতৌদু উবদা ফুঙ্গাদা ফল্লিবা মকুবোক্তুনা– ‘এএ নখূৎতু পোক্লদি না পায়য়ুনে’ হায়না হেক হায়রকই। মকুবোক্কী হায়রকপদু তাবদা মৌদু মীৎকুপ অমা ’নীদং তিঙক–মায়ঙক্লনা লৈরম্লগা ইকায়–ইকায় য়াম্না হঙ্গোইজনা মকুবোক্লা ফল্লিবদোমদা চঙশিল্লক্লগা মকুবোক্কী মনাদুদা মখূৎনা তাপ হেক পায়ররে। অদুদদি মকুবোক্তুনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরদুনা তপ্পা হায়রকই– ‘নঙগী ননাদুদসু য়াইদা।’

**মতমসিগী নুংশি ৱারী অমা!!**

– নঙদি কৈদৌরে ভাই! নকোয়ও নরাংও নশম–ননাকা ইফা ফারদনা! অনা–অয়েক্কা য়াওব্রাও, কৈদৌরে?

– অশ! খঙদ্রেদা ভাই, তৌদৌসে লুখ্রে, তুম্বা–চাবকা অমত্তা চঙদ্রে, ইশাসি হৈনীংবা কৈম পোক্ত্রে...।

– হেরা কৈগীনো ’দুদে ভাই, নঙবু খরনি মমাঙদদি নহাক্লা পামজনা শেন্নরকখিবা হিরোইন্দুগা য়ানরে নুংশিনরে হায়দনা য়াম্না হরাউনা লৈহৌদাইনে?

– অদুনিনে ভাই, মাগা ঐগা নুংশিনববুদি পৎ তৎখৈ নুংশিনরবনিনে, ...অদুদা হৌজিকসে মাগা ঐগা নুংশিনবসি ইমা বাবাহোইনা পুরা থিংজিনবীরে, বাবানা কারদা থাউ হাপ্লবা পৈশা পীয়ুসু য়াদ্রে, অতৈ অতৈ খরচকী পৈশা খরা হেন্না পীয়ু হায়বসু অমত্তা য়াদ্রে, ঙসিমক মাগী বার্থ দেনি, করিনো প্রজেন্ট অমদি লৈদবা য়াদবনি পৈশাদি হৌজিকফাও অমত্তা লৈত্রি।

**ৱারেংগী মচাক!!**

**ওজা** – (ছাত্রশিংনা লানখৎনরকপা কপিবুক ময়ামদু মথং মথং য়েংলগা, কাগী মচি অমদা কিথি কিরুম ফল্লিবা তোম্বদা) হায় তোম্বা করিগীনো নঙনা ‘ঐখোয়না শান্নবা ফুটবোল মেটচ’ হায়বা এসে ইরকউ হায়রগা ইরক্ত্রিবদে?

**তোম্বা** – (য়াম্না ৱাজবা মওংদা) ওজা, ঐখোয় লৈকাই লাই হরাউবদৈ লম্পাক্তা বোল শান্নবা য়াদদুনা তৌজবনি।